**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 1.05.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ০১-০৫-২০২৪, য়ুমশকৈশ)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহংবম রাজেননা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) **রাজ্যগী** হেলথ সার্ভিসেসকী দিরেক্তরনা হায়রি - কোবিদ নাইতিনগী ভেক্সিন য়াওনা ভেক্সিন খুদিংমক্কী সাইদ ইফেক লৈগনি অদুমওইনমক মদুনা থোইনা হকচাং শোকিংঙাই ওইদে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা জিরিবাম জিলাদা থীবা হুন্দ্বগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎলে।

৩) মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা শিন্মীশিংগী নুমিৎ, মে ডেগী থৌরম ঙসি মণিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোকখি।

৪) লোক সভা মীখলগী অহুম শুবা তাঙ্কক্কী ভোট থা অসিগী ৭ তা থাদনবা শেম শাবা লোইরে। লেমহৌরিবা তাঙ্ককশিংগা ভোট খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি।

**অমসুং**

৫) অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম পুন্দ্বদা হয়েং ফাওবদা নুংশিৎ অমদি অখাক অরাওগা লোয়ননা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**হেলথ (এল)ঃ রাজ্যগী** হেলথ সার্ভিসেসকী দিরেক্তরনা হায়রি - তিকা থাদোকপা হায়বসি পুন্সি কন্নবনি। চেরোল অমদা হেলথ সার্ভিসেস দাইরেক্তরনা হায়- কোবিদ ভেক্সিন য়াওনা ভেক্সিন খুদিংমক্কী সাইদ ইফেক লৈগনি অদুমওইনমক মদুনা থোইনা হকচাং শোকিংঙাই ওইদে।

হিদাকশিং অসি কাপ্পদা মাংজবদগী কান্নবনা হেনবনা হিদাকশিং অসি মালেম শিনবা থংবদা শিজিন্নবা য়ারে হায়না পুথোরকপনি। কোবিদ ভেক্সিনগী সাইদ ইফেকশিংগী মনুংদা টি.টি.এস-টি.টি.পি অসিসু অমনি। কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়না ইং কুমজা ২০২১ গী মে ১৭ তা কোবিসিল্ড ভেক্সিনগী মতাংদা এদভাইজরি অমা থোকখি। মদুদা টি.টি.এস-টি.টি.পি ওইরকপা য়াবগী ৱাফম ফোংদোকপা লৈখ্রবনি অমদি হিরম অসিগী মতাংদা ইং কুমজা ২০২৩ দা দব্লিউ ঐচ.ওনসু ফোংদোকখিবা লৈখ্রবনি।

চেরোল অদুনা হায়- টি.টি.এস-টি.টি.পি অসি ভেক্সিন দোজ কোতি ১গী মনুংদা ৬ কুম্বদা য়ামা তাংনা থোক্কল্লি। মীয়ামা চান্নরিবা পেরাসিতামোলনা ফাওবা সাইদ ইফেক থোকহল্লি। অসিগুম্বা তাংনা থোকপা টি.টি.এস-টি.টি.পি অসি তিকা কাপ্পা নুমিৎ ২০নি মনুংদা থোক্কল্লি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি তিকা কাপখ্রবা মতুং থা অমগী মতুংদা সাইদ ইফেক থোকপগী পাউ লৈতে । মরম অদুনা মনিপুরগী মীয়ামা কোভিসিল্ড ভেক্সিনগী মতাংদা ফোংদোকরিবা অরানবা ৱাফমশিং অসিদা থাজবিদনবা আপিল তৌরি।

**পুলিস(এল)ঃ** ৩৯ শুবা অসাম রাইফলস অমদি জিরিবাম পুলিসনা পুন্না থীবা হুম্বা চথবদা খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎপা ঙমখ্রে। শৈজাং ভিলেজতা শাজিল্লম্বা বঙ্কর ১২ শু থুগাইখ্রে। সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদি-সিঙ্গল বেরেল অমা, ত্বেলফ বোরগী মরুশিং, কাপথোকখ্রবা নোংমৈ মরুশিং , কেরিবেগ, ৱাকি তোক্কী অমদি ভুলেট প্রুভ জেকেটনচিংবনি। ফাগৎলবা খুৎলায় অমসুং অতৈ পোৎলমশিং মরী লৈনবা ওথোরিতিদা শিন্নখ্রে।

**এ.আর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা অগাভির, এস.এস.সি প্রিলিম ওন লাইন একজামদা মায় পাক্লবা কেন্দিদেদশিংগী প্রি-মেদিকেল একজামিনেসন অমা চুরাচান্দপুর জিলাগী ভেং ভিলেজতা লৈবা অসাম রাইফলস কেম্পতা পাঙথোকখ্রে। মেদিকেল একজামিনেস অসিনা কেন্দিদেদশিংনা থবক চংবদা ফিজিকেল অমসুং মেদিকেল তেস্তকীদমক শেম শানবগীনি।

**মে দে(এল)ঃ** মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎ, মে ডেগী থৌরম ঙসি মণিপুরদসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি।

থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শিন্দুনা খুনাইদা মান্নবা হক লৈবা অমদি মীপুম খুদিংমক্তা ইকায় খুমনিংঙাই ওইরবা থবক ফংহনবা হায়বা হিরমদা ইন্তরনেসনেল লেবর ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মখাদা লৈবা শিন্মীশিংদা খুদোল পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

ওল মনিপুর ত্রেদ য়ুনিয়ন কাউন্সিলগী জোইন্ত এদমিনিস্ত্রেতিব কাউন্সিল অমদি ওল মনিপুর গভর্নমেন্ত ইমপ্লোইজ ওর্গনাইজেসননা শিন্দুনা মে দে গী থৌরম বাবুপারাদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শিন্মীশিংগী হক চপ চানা ফংহন্নবা লোয়ননা শিন্মীশিংগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীওই কয়াগী মতুং ইন্না চৎনবা ৱারেপ লৌখি।

য়ুনাইতেদ লেবর ওর্গনাইজেসন মনিপুরনসু নুমিৎ পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা লময়ানবা ইরাবটকী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা অমদি রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা মীনিত অনি তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোকখি।

**হৈকৎ (এল)ঃ** হৌখিবা চহিগী মে ৩ দা রাজ্য অসিদা খঙহৌদনা থোক্লখিবা কাংলুপকী ইরাংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা নাওরেমথোংদা লৈবা পুহিং খুল ক্লবতা মৈরা কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎলগনি হায়না উরিপোক অপুনবা লুপনা ফোংদোরক্লি। লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকা মৈরা কৎপগী থৌরম অসিদা শরুক য়াবিয়ু হায়না উরিপোক অপুনবা লুপ অমদি উরিপোক নুপী অপুনবনা আপিল তৌরক্লি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেংনবা ব্রেক অমা--(বাবিনা)**

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**ইলেক্সনঃ** অহুম শুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট থা অসিগী ৭ তা থাদনবা শেম শাবা লোইরে। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১০ অমসুং য়নিয়ন তেরিতোরি অমগী লোক সভা সিট ৯৩ দা ভোট থাদগনি।

তাঙ্কক অসিদা গুজরাটকী সিট ২৫, করনাতক্কী সিট ১৪, মহারস্ত্রাগী সিট ১১ অমসুং উত্তর প্রদেশ সিট ১০গীদম ভোট থাদগনি। মসিগী মথক্তা মধ্য প্রদেশকী সিট ৯ , ছাতিসগরগী সিট ৭, বিহারগী ৫, অসাম অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী ৪-৪, গৱা, দাদ্র এন্দ নগর হবেল্লি অমসুং দামান এন্দ দিউগী সিট ২-২ নি । তাঙ্কক অসিগা লোয়ননা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং য়াওনা রাজ্য ১৬ অমস্ং য়ুনিয়ন-তেরিতোরি ৪ অন্দামান অমসুং নিকোবর ইথৎ, পুদুচেরি , লক্ষাদ্বিপ, দাদ্র এন্দ নগর হবেল্লি অমসুং দামান এন্দ দিউদা মীখলগী থবক লোইশিল্লগনি।

মরক অসিদা লোক সভা মীখলগীদমক কংগ্রেসনা মীরেপ মরীগী মমিং লাউথোকখ্রে। ফিল্ম ষ্টার রাজবাবর হারিয়ানাগী গুরগাডন্দগী মীরেপ ওইরগনি।

লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা মীরেপ কয়ানা মখোয় মখোয়গী মীরেপচেশিং ঙসি পীশিনখ্রে। মীরেপচে পীশিনখিবশিংগী মনুংদা বি.জে.পি লুচিংবা মেনেকা গান্ধি, শাধবি নিরঞ্জন জিওতিনচিংবা য়াওরি।

অমরোমদা, মীখলগা মরী লৈননা ভোট খোন্বগী থবক কনখৎনরক্লি । প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি লুচিংবা নরেন্দ্র মোদি ঙসি গুজরাটকী মফম কয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াগনি। গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ছাতিসগরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা শরুক য়াগনি। অসামদা থা অসিগী ৭ তা ভোট থাদনগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপকীদমক ঙমজবি থাদুনা ভোট খোল্লি। কংগ্রেস লুচিংবি পিয়াঙ্ককা গান্ধি অসামগী ধুব্রিদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনদা শরুক য়াখি। অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্তা বিস্বা শর্ম্ম , অশোম গনা পরিষদকী প্রসিদেন্ত অতুল বোরা এন.দি.এ মীরেপকীদমক ভোট খোল্লি। তাঙ্কক অসিদা অসামদা নুপী মীরেপ ৬ য়াওনা পুন্না মীরেপ ৪৭ না লম্বা তৌনরি।

মরক অসিদা, ইলেক্সন কম্মীসননা বি.আর.এস লুচিংবা কে.চন্দ্রসেখর রাওবু পুং ৪৮ ভোট খোম্বা য়াহন্দনবা খঙহনখ্রে। মহাকা কংগ্রেসকী মায়োক্তা হজৎ শোকপা য়াবা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লুবগীদমক ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দগী হৌরগা অথিং অসি থম্বনি।

**কেম্প(এল)ঃ** লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল লৈমরোলনা শিন্দুনা সার্ভাইকেল অমসুং ব্রেস্ত কেন্সর লায়নাগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। খোংজোমদা লৈবা সিটি হোস্পিতালদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা দোক্তরশিংনা মীওই ২০০ রোম লেমা লায়েংখি। লোয়ননা সেনিয়র গাইনেকোলোজিস্ত ডা: বিলাসিনিনা লায়নশিং অসিগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনখি।

**মীলাল(এল)ঃ** মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনা শিল্লোন অপুনবা লুপ (মীলাল) কংলৈপাক্কী মখাদা অসামগী কছার জিলাগী সোনাইগী লাইরিককোনদা মীলালগী মশা লোইশঙ অমা ঙসি হাংদোকখ্রে । নৌনা হাংদোকখিবা মশা লোইশঙ অসিগী প্রসিদেন্ত য়ুমাম মণিকান্তনা ওইদুনা মীওই ১৫ না শাবা কম্মীতি অমা শেমখ্রে।

**ফুটবোল-২(এল)ঃ** লমলোং থোংখোংগী আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দা চংথরিবা ১৬ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা রাহি য়ু.সি অমসুং ফুটবোল ক্লব লমজাও পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চংখি। অতোপ্পা মেটচতা নিশা থাংমৈবন্দনা ৱাই.ও.এস.সি খুরাইবু পাঞ্জল ২-১ দা অমসুং দা এথেলেতিক্স মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ২- ০ দা থোইকি।

**ফুটবোল-৩(এল)ঃ** উপশা লিলোং ৫ শুবা সঙাই ট্রোফি ভেতরান্ত ফুটবোল টুরনামেন্তকী ফাইনেল চংলে। ঙসি সি.ৱাই.এল.সি পিশুম চিংঙা মথক গ্রাউন্দা শান্নখিবা অনি শুবা সেমি ফাইনেলদা উপশানা এম.এল.ভি.এফ.এ ময়াই লম্বীবু পাঞ্জল ৫- ৪ দা থোইখিবনি। ফাইনেল লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ভসাই থাংমৈবন্দকা উপশাগা শান্নরগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা চংথরিবা মঙাশুবা ওইনাম চারলি মেমোরিএল ওপন সোক্কর টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা অঙনবা এফ.সি থোংজ্না থাংতেক এফ.সি নম্বোলবু তাই ব্রেক্তা পাঞ্জ ২-০ দা মঙাং এফ.সি নম্বোলনা ইপাক এফ.সি নম্বোল খাথোংবু পাঞ্জল ২-১ দা বুধি রঞ্জন এফ.সি য়াইস্কুলনা জে.বি.এল এফ.সি (টিম -এ)শিংজমৈবু তাই ব্রেক্তা পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল-৪(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন মোইরাংনা মমাং থাগী ২৪ দগী চংথরকপা মরি শুবা শ্রী কৈশাম বাবু সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল লিগ ২০২৪ মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে। হৌজিক ওইরিবা নোং চীংগী ফীভম অসিনা চংথরিবা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল লিগ অসি য়ৈথোকপনি হায়না এসোসিয়েসন অসিনা ফোংদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---

**ৱেদর ঃ** মেট বিভাগনা হায়রি -অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম পুম্বদা হয়েং ফাওবদা নুংশিৎ অমদি অখাক অরাওগা লোয়ননা অকনবা নোং চুগনি। লোয়ননা অৱাং ভারতকী মফম কয়াদনা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং অমসুং উন তাগনি।

নোংচুপ বেঙ্গোল , ঝরখন , ওরিষা অমসুং বিহারদা শাবগী চাং হনগৎলকখিনি। অৱাংনোংপোক ভারত অমসুং ভারতকী মফম কয়াদা অকনবা নোং চুখিগনি হায়রি। মেট বিভাগনা হায়-লাক্লিবা ইরাই নুমিৎ ফাওবা খা থংবা পেনিনসুলর লমদমদা শাবগী চাং হেনগৎলকখিনি। মসিনা মরম ওইদুনা মহারস্ত্রা,গুজরাট, টামিল নাদু অমসুং উত্তর প্রদেশকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ ৫ অসিদা শাবগী চাং হেনগৎলকখিনি।

মেট দিপার্টমেন্তনা হায়- করনাতক অমসুং কেরলাগী সমুদ্রা খোংবানশিংদসু শাবগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা নুংশিৎতা ঈশিং য়াওবগী চাং ৱাংগনি । গংগেতিক ৱেষ্ট বেঙ্গল , নোংপোক থংবা ঝরখন , অৱাং থংবা ওরিষা অমসুং রাইয়েল সিমা লমদমদা লাক্লিবা ইরাই নুমিৎ ফাওবদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৪-৪৭ ফাওবা ওইরবা য়াই ।

**সিলিন্দর ঃ** **কম্মর্সিয়েল** এল.পি.জি সিলিন্দর অমদা লুপা ১৯ হন্থরগনি হায়না ওইল মার্কেতিং কম্পনিশিংনা ঙসি লাউথোকখ্রে। ইন্দিয়ান ওইল ৱেব সাইটতা থাগৎপগী মতুংইন্না দিল্লিদা কম্মর্সিয়ল এল.পি.জি সিলিন্দর অমদা লুপা লিশিং ১,৭৪৫ পৈশা ৫০, কোলকত্তাদা লুপা লিশিং ১,৮৫৯ অমদি মুম্বাইদা লুপা লিশিং ১,৬৯৮ পৈশা ৫ অমসুং চেন্নাইদনা লুপা লিশিং ১,৯১১ পীরগনি হায়রি। অদুমওইনমক, নোন সবসিদাইজ, দোমেস্তিক এল.পি.জিগী ওইনদি হান্নগী মমলদা অদুমক চৎনখিগনি।

**স্কুল-বোমঃ** দিল্লিদা লৈবা মহৈলোইশঙশিংদা ঙসি অয়ুক বোম পোখায়হনগনি হায়বগী মতাংদা অকি তুজংবা পোকহনবা ইমেলশিং থারকখিবা অদু মীয়ামদা অকিবা পোকহন্নবা অতমনা থাদোরকপনি হায়না কেন্দ্র গৃহ মন্ত্রালয়না ফোংদোরক্লি। লোয়নননা মহৈরোইশিং অমদি মখোয়গী মমা মপাশিংনা মীপায়বা পোক্তনবা মন্ত্রালয় অসিনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

সরকারগী পাউনা হায়- হিরম অসিগী মতাংদা দিল্লি পুলিস অমসুং অখন্নবা সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংনা লৌফম থোকপা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। লোয়নননা হৌজিক ফাওবদা থীবা হুম্বা চথবদা চীংননিংঙাই ওইবা থৌওং অমত্তা থেংনদ্রি। দিল্লিগী উপ রাজ্যপাল বিনয় কুমারনা ৱাফম অসিগী মতাংদা অকুপ্পা মরোল খঙদোকবা অমসুং ই-মেল অসিগী মতাংদা চেন্নরিবা মীওইশিং খঙদোকবা দিল্লি পুসিল কম্মীস্নর সনজয় অরোরাদা খঙহনখ্রে। মসিগী মথক্তা দিল্লি সরকারনা হিরম অসিগী মতাংদা পুলিস অমদি মহৈলোইশঙশিংগী ওথোরিতিগা তত্তনা পাউ ফাউনরি হায়না শিক্ষা মন্ত্রি অতিসিনা ফোংদোকখ্রে।

**এন.আই.এঃ** নেসনেল ইনভেস্তিগেসন এজেন্সি( এন.আই.এ)না অতারি দ্রগ কেসতা চেন্নবা মীওই অমা ঙসি ফাখ্রে। এজেন্সিনা হায়রিবা মীওই অদু দিল্লিগী দারিয়া গঞ্জতগী ফাগৎখি লোয়নননা মীওই অদুদগী চে চাং কয়া মরুম ফাগৎখ্রে। পনবা য়াবদি কেস অসিগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৮ ফারে। অতারি দ্রগ কেস অসি ইন্দিয়ন কস্তমসনা ইং ২০২২ দা লুপা কোতি ৭০০ হেনবা হেরোই কিলোগ্রাম ১০০ হেন্না ফাগৎখিবা অদুগা মরী লৈননা লৌখৎপা কেসনি।

**সি.বি.আইঃ** সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেস্তিগেসন (সি.বি.আই)না ঐচ.পি.জেদ তোকন এপকী শাশিন্নবা ইনভেসমেন্ত স্কিমগা মরী লৈননা ঙসি লৈবাক অসিগী রাজ্য ১০ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমগী তোঙান তোঙানবা মফম ৩০ রোমদা থীবা হুন্বগী থবক চথুখ্রে।

হায়রিবা কেস অসি প্রাইবেট কম্পানি অনিনা মীওই কয়াবু লাননা থাজহন্দুনা ক্রিপতো করেন্সি মাইনিং স্কিমদা পৈশা থাদহন্নবা হোৎনরম্বগী মথক্তা লৌখৎপনি । হৌজিক ফাওবদা কেস অসিগা মরী লৈননা ইনভেস্তরশিংদগী পৈশা খোমগৎনবা তোঙান তোঙানবা বেঙ্ক একাউন্ত ১৫০ শিজিন্নরম্বা থেংনরে। ঙসি থীবা হুন্বা চথুবা অদুদা মোবাইল ফোন,কম্প্যুতর, হার্দ দ্রাইভ, এ.টি.এম কার্দ, সিম কার্দ অমদি চে চাং কয়া মরুম ফাগৎপা ঙমখি।

**মীসাইলঃ** সুপর সোনিক মীসাইল এসিস্তেদ মীলিস ওফ ত্রোরপিদো (স্মার্ট) সিস্তেম ঙসি অয়ুক ওরিষাদা লৈবা ডা: এ.পি.জে অব্দুল কালাম ইথৎতা মায়পাকা চাংয়েং তৌখ্রে।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়- নেক্স জেনরেসন মীসাইল অসি য়ামা য়াংবা তোরপিদো সিস্তেম অমা ওইনা দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ত ওর্গনাইজেসন (দি.আর.দি.ও)না দিজাইন তৌদুনা শেম্বনি। ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা দি.আর.দি.ও অমসুং মরী লৈনবশিংদা স্মার্ট মায়পাকা চাংয়েং তৌখিববু থাগৎপা ফোংদোরক্লি। মহাকা হায়- সিস্তেম অসিনা ইন্দিয়ন নেভেগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহল্লগনি।

**জি.এস.টিঃ** চহি অসিগী এপ্রিল থাদা গুদস এন্দ সার্ভিসেস তেক্স (জি.এস.টি) খ্বাইদগী য়ামা ৱাংনা লুপা কোতি লাখ ২ লিশিং ১০ হেননা খোমগৎপা ঙমখি। কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রালয়না হায়- মসিনা চহি চহিগী ওইনা য়েংবদা চাদা ১২.৪ হেনগৎলক্লি। মসি লৈবাক মনুংদা ত্রান্সজেক্সন অমসুং ইমপোর্টকী চাং হেনগৎলকপদগীনি। চেরোল অদুনা হায়- চহি অসিগী এপ্রিলদা খোমগৎখিবা অপুনবা শেনফমগী মনুংদা সেন্ট্রেল গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্সনা লুপা কোতি লিশিং ৪৩ রোমনি।

ষ্টেট গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্সনা লুপা কোতি লিশিং ৫৩ হেননা, ইন্তিগ্রেতেদ গুদস এন্দ সার্ভিসেসনা লুপা কোতি লিশিং ৯৯ হেননা অমদি সেস ওইনা লুপা কোতি লিশিং ১৩ হেননা খোমগৎপা ঙমখি। মন্ত্রালয়না হায়-হন্দোক্কদবা শেনফমশিংগী হিসাপ হোৎলবা মতুংদা চহি অসিগী এপ্রিলদা জি.এস.তিগী রেভিন্যু অসি লুপা কোতি লাখ ১ লিশিং ৯৬ ওইখি। মসি মমাং চহিগী হায়রিবা মতম অসিগা চাংদমরুবদা চাদা ১৫.৫ হেনগৎলে।

**পদ্মা এৱার্দঃ** লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্দ পদ্মা এৱার্দ ২০২৫ পীনবগীদমক ওন লাইন নোমিনেসন ঙসিদগী হৌরে। এৱার্দশিং অদুদি পদ্মা বিভুসন, পদ্মা ভুসন অমসুং পদ্মা শ্রীনি। মনা ফংগদবশিং মথং চহিগী গনতন্ত্রা দিবস নুমিৎতা লাউথোক্কনি। ওন লাইন নোমিনেসু পীশিনবগী অরোইবা মতম চহি অসিগী সেপ্তেম্বর ১৫ নি। নোমিসেনশিং রাষ্ট্রিয়া পুরুসকর পোর্তেল (ঐচ.টি.টি.পি.এস কোলোন দবল স্লাস এৱার্দস দোট গোব দোট ইনদা থাজিনবা য়াগনি। হং কুমজা ১৯৫৪ দা পীবা হৌখিবা মনা অসি থোইদোক হেন্দোকা আর্ট, লিতরেচর অমসুং ইদুকেসন, স্পোর্টস , মেদিসিন , সোসিয়েল ৱার্ক , সাইন্স এন্দ ইঞ্জিনিয়ারিং , পব্লিক এফ্যারস, সিভিল সার্ভিস , ত্রেদ এন্দ ইন্দস্ত্রিগী লমদা থোইদোক হেন্দোকা থবক তৌবা মীওইশিংদা পীরি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) **রাজ্যগী** হেলথ সার্ভিসেসকী দিরেক্তরনা হায়রি - কোবিদ নাইতিনগী ভেক্সিন য়াওনা ভেক্সিন খুদিংমক্কী সাইদ ইফেক লৈগনি অদুমওইনমক মদুনা থোইনা হকচাং শোকিংঙাই ওইদে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা জিরিবাম জিলাদা থীবা হুন্বগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎলে।

৩) মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা শিন্মীশিংগী নুমিৎ, মে ডেগী থৌরম ঙসি মণিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোকখি।

৪) লোক সভা মীখলগী অহুম শুবা তাঙ্কক্কী ভোট থা অসিগী ৭ তা থাদনবা শেম শাবা লোইরে। লেমহৌরিবা তাঙ্ককশিংগী ভোট খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি।

**অমসুং**

৫) অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম পুম্বদা হয়েং ফাওবদা নুংশিৎ অমদি অখাক অরাওগা লোয়ননা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

**--- পাউ লোইজরে---**